# কেন্দ্রগী দিফেন্সকী ষ্টেট মিনিষ্টর পালম রাজুনা বাই রোদতা এনঐচ ৩৭ গী ফিভম য়েংশিনখ্রে

*থৌদাং পাউমীদগী*

*ইম্ফাল, মে ১২ঃ* কুম পুরবা এনঐচ-৩৭ ইম্ফাল-জিরিবাম লম্বীগী ফিভম ঙসি নোংমগী খোঙচৎতা ইম্ফালদা লাকখিবা য়ুনিয়ন মিনিষ্টর ওফ ষ্টেট ফোর দিফেন্স শ্রী পালম রাজুনা বাই রোদতা চৎতুনা হকথেংননা খোঙশাং ফাওবগী লম্বী ফিভম য়েংশিনখ্রে। মিনিষ্টর অসিগী খোঙচৎ অসিদা চিফ মিনিষ্টর শ্রী ও ইবোবী, হোম মিনিষ্টর শ্রী গাইখাঙম, পিঐচদি মিনিষ্টর শ্রী আই হেমোচন্দ্র অমদি ৱার্ক্স মিনিষ্টর ডা: কেঐচ রতন য়াওখি।

খোঙচৎ অদুগী মনুং চন্না এনঐচ -৩৭গী ইম্ফালদগী খোংশাং ফাওবগী লম্বীগী ফিভম য়ুনিয়ন মিনিষ্টরনা হকথেংননা বাই রোদতা চৎতুনা য়েংশিনখিবা অদুগী মনুং চন্না লম্বী অসিগী কিলোমিটর ৩.২২ দগী ১৪৭ ফাওবা শুরিবা বিআরটিএফকী ৭৬৫ বট্টালিয়ন বিআরএফকী কম্মান্দিং ওফিসার বিনই বেহল অমসুং মসিগী লেমহৌরিবা জিরিবাম য়ৌবা ফাওবগী লম্বী শুরিবা বিআরওগী দিজি লেফটিনেন্ট জেনরেল রবি শঙ্গর য়াওনা ৮৩ শুবা বিআরটিএফ বট্টালিয়নগী কম্মান্দিং ওফিসার দি হজারিকা হকথেংননা উন্নখি। লোয়ননা লম্বী অসি অথুবা মতমগী মনুংদা লোয়শিন্নবা অকনবা ইন্সত্রক্সন পীরমখি।

য়ুনিয়ন মিনিষ্টর পালম রাজুদা বিআরওগী ওফিসিয়েলশিংদা লম্বী অদু অথুবদা লোয়শিন্নবা খঙহনখিবা অদুগী পাউখুম ওইনা বিআরওগী দিজিনা মথং চহি ২০১৩ গী মার্চ থা ফাওবগী মনুংদা এনঐচ-৩৭ গী লম্বী অসি মপুং ফানা লোয়শিনবা ঙম্লগনি হায়না থাজবা পীখি। অৱাং খুলদগীনা জিরিবামগী শরুক্তা কিলোমিটর ১১০ রোম শাংবা লম্বীগী ফিভম অদুসু হায়রিবা মতম অদু ফাওবগী মনুংদা লোয়শিন্নবা খঙহল্লমখি। তুংদা য়ুনিয়ন মিনিষ্টর অসিনা খোংশাংদগী তমেংলোং ফাওবা বাই রোদতা চৎতুনা হকথেংননা লম্বীগী ফিভম য়েংশিনখি। মদুদসু লম্বীগী ফিভম অদু অথুবা মতমদা লোয়শিন্নবা মরী লৈনবা ওফিসিয়েলশিংদা খঙহল্লমখি।

তমেংলোংদা থুংবগা তমেংলোং খুঞ্জাওগী সি সেন্টরদা লোংদি প্রধাম লম্বী শেমগৎনবা ফাউন্দেসন ষ্টোন মায়খুম হাংদোকখি। মদুগী তুংদা তমেংলোং ইন্দোর ষ্টেদিয়মদা মীয়ামগী ওইবা মীফম অমা পাঙথোকখি।

মীফমদুগা মরী লৈননা য়ুনিয়ন মিনিষ্টর অসিনা ফোঙদোক্লমখিবদা তমেংলোং দিষ্ট্রিক্ট অসি মণিপুরগী য়াম্না ফজবা চীংগী দিষ্ট্রিক্ট অমনি। দিষ্ট্রিক্ট অসিদা মহৌশাগী ফজবা ৱাগী পোত্থোক অমসুং কমলাগী পোত্থোক নিংথিনা পুথোকপা ঙম্নবা মহাক্কী মায়কৈদগী অঙম্বা মতেং পাংগনি।

দিষ্ট্রিক্ট অদুগী অৱা-অনা লৈরিবা খুদিংমক নিউ দিল্লি য়ৌরবা মতুং মরী লৈনবা দিপার্টমেন্টশিংদা ৱা তান্নদুনা ময়েক শেংনা খঙহনগনি অমসুং দিভলপ তৌনবা হোৎনগনি। হৌজিক হৌজিক খোঙশাংদগী তমেংলোং হেদ ক্বার্টর ফাওবদা বিআরওনা শেম্লিবা লম্বী অসিদা লমদম অসিগী মীয়াম্না অচৌবা মতেং পীবিয়ু হায়খি।

য়ুনিয়ন মিনিষ্টর অসিগী খোঙচৎতা য়াওখিবা মণিপুর সরকারগী পিঐচইদি মিনিষ্টর আই হেমোচন্দ্রনা হায়খিবদা য়ুনিয়ন মিনিষ্টর ওফ ষ্টেট ফোর দিফেন্স শ্রীপলম রাজুনা হন্দক ইম্ফালদা বাই রোদতা এনঐচ -৩৭ অমা য়াওনা তমেংলোং লম্বীগী ফিভম য়েংশিনখিবসি মহাক্না অহানবনি হায়খি।

পনবা য়াবদি য়ুনিয়ন মিনিষ্টরগী তমেংলোং খোঙচৎ অদুদা জামহেননুং পানমৈ, বিআরদিওগী দিজি লেফটিনেন্ট জেনরেল রবি শঙ্কর , পুলিস অমদি অতৈ দিষ্ট্রিক্ট অদুগী মকোক থোংবা ওফিসিয়েল কয়াসু শরুক য়াখি। তমেংলোংদগী ইম্ফাল এয়ারপোর্ট তম্না লাক্লবা মতুং দিল্লিগীদমক ইম্ফাল থাদোকখি।

পনবা য়াবদি য়ুনিয়ন মিনিষ্টর অসিগী এনঐচ-৩৭ গী খোঙচৎ অসি এপ্রিল ১১ দা লাক্কনি হায়না তৌরম্বনি। অদুম ওইনমক নোং-চীংগী ফিভম ফত্তবনা য়ৈথোকখিবনি। লোয়ননা এনঐচ-৩৭ গী লম্বী অসি চহিসিগী মার্চ ফাওবগী মনুংদা লোয়শিন্নবা পান্দমদা মমাং চহিগী অকনবা বন্দ, ব্লোকেদ মনুংদা সেন্টরনা লুপা ক্রোর ৩০০গী শেলফম রিলিজ তৌদুনা বিআরওদা শিন্নখিবনি।